HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

কুম্বী এ সীগী নুঙ চন্দানপোকপীদা হান্না বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা হৌজিক্কা আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর ওইরিবা কে ঐচ নবকুমারনা নিংথম লৌরোক্কী মরূ-মরাংশিং য়েন্থোকখিবা

‘এফ সী আই গোদাউনদা লাকপা টটাশিং লম্বীদা খান্বা য়ারোই’
☛ লামায় ২

য়ু থক্তবশিংদা নাবা ফেট্টি লিভর দিজিজ লায়েংনবগী অনৌবা পাম্বৈ
☛ লামায় ৪

অভে কুমার গিরিনা থম্বাল কেম্পেন রেল্লি হৌদোকখ্রে
☛ লামায় ৫

এন ঈ পিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি : রাজেন
☛ লামায় ৬

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি থৌবালনা মসলসাগা খুৎশম্নদুনা নালসাগী মখাদা পাঙথোকখিবা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস দেদা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ক্যুইজ কম্পিটিসনগী মনা য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 225 | য়ূমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈগী ৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, November 10, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

KNOW YOUR FORMS
FORM 6 For New Enrollment
FORM 7 For Deletion
FORM 8 For Correction
FORM 8A For Transposition
Chief Electoral Officer, Manipur

গভর্ণরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লম্দা শক্লাইরবা মীওই ৪দা ঙরাং লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা রাষ্ট্রপটি ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পদ্ম বিভুষন অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দ পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী লেমজনীংঙাই ওইরবা এৱার্দশিং অসি এম সী মেরি কোম (বোক্সিং), ওইনাম বেমবেম (ফুটবোল), হঞ্জবম রাধে (ত্রেদিসনেল ব্রিদেল ৱেয়র দিজাইনর) অমসুং রিয়ুবেন মসাংভা (ম্যুজিকেল ত্রেদিসন ওফ তাঙ্খুল ত্রাইব) তা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

অনৌবা কেস ৪৯ থেংনখি, ১ লৈখিদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস ৪৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ১ লৈখিদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা মীওই ৪০ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

সোরেপানা ইমা মঙ্গিদা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): কংলৈপাক/মণিপুরগী মালেমগী মীয়াম্না শকখঙনরিবা ইমা কৈথেলগী লুচিংবী ওইনা লৈবিরম্বী ইমা মঙ্গিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা সোসলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাক্লা থস্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি সোরেপাগী পব্লিসিটি ইন-চার্জ এম সী য়াইফবীগী চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিনা হায়, ইমা মঙ্গিনা লৈখিদবা মতম অসিদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩২.৪৭°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.৩৯°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৯

HL Poll

Q: Maheisang sing hangdoklagani haibasidi aphaba thousilni adubu Covidkidamak cheksinbagi mathou tari haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Congresstagi BJPda leptana chongsinnarakpana BJPgi intending candidate oigani khinglibasinggi ningba kainingai oirakloidabagi maram leibra?

Yes 50% No 50%

অস! লোইরেহে!

- সার, ঐখোয় লোইনা কেন্দ্র অমত্তগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ঙাক্তনি।



- অমহানি, নঙনা নঙনা থোকপা লেপ্পরো কোন্না চোঙশিন্নরো।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইহল্লুবশিং দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়বগী কেসতা অকনবা আর্গ্যুমেন্ট তৌনখ্রে

গভর্ণরনা ৱারেপ লৌবদা থেংথহনবা ঙমদে : সুপ্রিম কোর্ট

- সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুরগী গভর্ণরগী সেক্রেটরিদা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে
- হয়েং অমুক হন্না খন্ননবা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : মার্চ ১৫, ২০১৭তা ৱাশক লৌখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক অসিনা থেঙ্খাং অনীরক্তা হৌজিক্কা রিজাইন তৌখ্রবা অমা য়াওনা এম এল এ ১২বু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীদুনা হাপচিল্লুবগী থৌওং অদু ‘ওফিস ওফ প্রোফিট’ কী মখাদনি হায়রদুনা ফমশিং অসিবু পুহল্লুবা এম এল এশিং অদু দিসক্কালিফিকেসন তৌগদবনি হায়বগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা চত্থরক্লিবা কেসশিংগী ঙসিগী ৱায়েলদা পার্টি পূন্নমক্কী মহুৎশিনবা কাউন্সেলশিংগী মরক্তা অকনবা আর্গ্যুমেন্ট তৌনখিবগা লোয়ননা এপেক্স কোর্টনা মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসনগী সেক্রেটরিদা নোটিস ইস্যু তৌরগা কেসশিং অসি থা অসিগী ১১দা অমুক হন্না খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা এম এল এ ১২বু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরব্বগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন অমা অমসুং পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ৪ ফাইল তৌরক্লুনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। কেসশিং অসিগী মনুংদা সিভিল রিট পিটিসন অদুনা কুমজা ২০১৮দা কোংগ্রেস এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং দি দি থাইসিনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

অদুগা কুমজা ২০১৭তা ফাইল তৌরকখিবা তোঙান তোঙানবা পি আই এলশিং অদুগী পিটিস্নরশিংনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি), মণিপুরগী ত্রেজরর এম দি সবির অহম্মদ, পি আই এল ২গীনা মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্তগী আর কে জয়স্না অমসুং খুরাই সাজোর লৈকায়দগী অথোকপম সুসিলকুমারনি।

কেস মঙামক হায় ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

তখেলদা গো টু ভিলেজ ২.০গী অনীশুবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

পার্টি অমদগী অমদা চোংথোক-চোংশিন তৌবগী মতম অদু নংত্রে : চীফ মিনিষ্টর

বি জে পিগী তোঙানবা প্রিন্সিপল লৈজে : এন বিরেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) : অরানবা ওইদ-পাদবা কয়া ঙাঙলগা প্রোপেগন্দা তৌদুনা ঈরাং শাগৎপা অমদি মমাঙঙৈদা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোংথোক-চোংশিন তৌবগী মতম অদু হৌজিক নংত্রে। ঙাইহাক লৈরগা পার্টিদা অমুক য়াওগে হায়বা, ঙাইহাক লৈরগা পার্টিদগী অমুক তোকখিবগী পোলিটিকেল কলচর অদু হৌজিক বি জে পিদদি য়াররোই। বি জে পিগী ওইবা তোঙানবা প্রিন্সিপল লৈজে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তখেলদা পাঙথোকখিবা গো টু ভিলেজ ২.০গী অনীশুবা থৌরম হৌদোক্লদুনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, ঙাইহাক লৈরগা পার্টিদা অমুক য়াওগে অদুগা ঙাইহাক লৈরগা অমুক পার্টিদগী কায়নরসি হায়বদু বি জে পিদদি য়ারোই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থবক অমা তৌগনি হায়রবদি মদু তৌরগা উৎলি। কাশ্মীরগী য়াম্না ইন্টরনেসনলগী থাক্তা সেনসিটিভ ইস্যু অমা ওইরিবা আর্টিকল ৩৭০ পার্লিয়ামেন্টদগী লৌথোকখিবনি। চীংনা মপুংওইবা ট্রাইবেলনা খুন্দাবা ষ্টেটশিংদা ইন্নর লাইন পার্মিট পীবনি অদুবু নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদসু ইন্নর লাইন পার্মিট পীবিরকখি। লোয়ননা কুলচন্দ্র মহারাজগী মতমদা মহাক য়াওনা বৃটিসকী মায়োক্তা লৈদুনা পিক্লবসু পিক্লা ইমা লৈবাক মণিপুর নিংখা তম্না লৈগনি হায়না ঈহৌ হৌরব্বগীদমক মণিপুরগী ইপা-ইপু মখোয় ২৩ ফারগা অন্দমান-নিকোবর থমখি হায়বসি তশেংনা ঐখোয়দি কাউথোকলুরবগুম্বনি। অদুবু বি জে পি লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর ওইরিবা অমিট সাহনা আন্দমান নিকোবর চৎপা মতমদা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু ২৩গী মফমদা লৈ কৎতুনা বৃটিসকী মমিংদা লৈরম্বা মাউন্ট হেরিএটবু ককথৎলগা মাউন্ট মণিপুর হায়না মমীং থোনবিরল্লিবা অসিনা তাকপদি বি জে পি লৈঙাক্লা মণিপুরীশিংবু নুংশি, ঙাক শেন্দুনা থম্বা পাম্মী অমদি চাওখৎহনবা পাম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। মসিদগী হেন্না ঐখোয় মণিপুরীশিংগী নুংঙাইবা অমদি চাওথোকচনিংঙাই ওইবা কদাইদা লৈরুগনি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ডা. লোকেন ভর্সেস আর কে ইমোগী ইলেক্সন কেস : নবেম্বর ১৮দা

পোষ্টেল বেলোটশিংগী মতাংদা ঙানি-ঈশিংনি চপ চানা খঙলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা ১১-শগোলবন্দ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা আর কে ইমোগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্কা অকনবা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন কেস অমগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৯ ওফ ২০২০গী মতাংদা কোর্টনা পীবা অয়াবগী মতুংইন্না পাঙথোকখ্রিবা এ সী অসিগী মীখলদা শীজিন্নখিবা পোষ্টেল বেলোটশিং, শীজিন্নহৌদবা পোষ্টেল বেলোটশিং অমসুং শীজিন্নখিবা পোষ্টেল বেলোটশিংগী কাউন্টর ফোইলশিং ইন্সপেক্সন তৌবগী থবক থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ১১.৩০দা পাঙথোক্লগনি।

মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সব দিভিজনেল ওফিসর (ইম্ফাল ৱেষ্ট), লম্ফেল এম দি ইমরান খানগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা নোটিস অমা থা অসিগী ৫দা থোকখ্রে। নোটিস অদুনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ডা. কে ঐচ লোকেননা পিটিস্নর ওইদুনা আর কে ইমো অমসুং অতোপ্পা রেসপোন্দেন্টশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৫ ওফ ২০১৭ অদুগা মরী লৈননা পিটিস্নরনা মীখল অদুগী কাউন্টিংদা শীজিন্নখিবা পোষ্টেল বেলোটশিং, শীজিন্নহৌদবা অমসুং শীজিন্নখিবশিংগী কাউন্টর ফোইলনচিংবশিং য়েংজগে অমদি পোষ্টেল বেলোটশিং অমসুং মদুগা মরী লৈনবশিংগী সর্টিফাইদ কোপিশিং ফংহনবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৯ ওফ ২০২০গী মতাংদা হায় কোর্টনা সেপ্টেম্বর ২০, ২০২১দা পীখিবা ওর্দর অমসুং ওক্টোবর ২৯, ২০২১দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা ওর্দর অদুগা ইরোয়ননা নবেম্বর ৩, ২০২১দা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেরোল মতুংইন্না মীখল অদুদা শীজিন্নখিবা পোষ্টেল বেলোটশিং অমদি ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা দোকুমেন্টশিং য়াওবা সিল্ড তৌরবা ত্রঙ্কশিং অদু থা অসিগী ১৮গী অয়ুক পুং ১১.৩০দা এস দি ও লম্ফেলগী ওফিসতা হাংদোক্লগনি হায়রি।


VOTE BY POST
STEP B
Read the instructions carefully then complete your Ballot Paper
Fold and place your Ballot Paper into Envelope A
Moisten coloured strip to seal Envelope A
Seal Envelope B

মসিদা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা পিটিস্নর অমসুং রেসপোন্দেন্টশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা শোয়দনা লাক্লবসু সব দিভিজনেল ওফিসর অসিগী নোটিস অসিনা খঙহল্লক্লি। নোটিস অসিগী কোপিশিং কেস অসিগী মরী লৈনবা পূন্নমক্তা পীখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ৫দা থোকখিবা নোটিস অসিগী কোপি ডা. লোকেননসু থা অসিগী ৮দা ফংলে হায়রি।

ক্লাস নাইনদগী মথক্তা লৈবা মহৈশঙশিং ঙসিদগী হাংলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস) :

হৌখিবা থা খরদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং থেংনবগী চাং শিংথানবা য়ানা হন্থরকপা অমসুং তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা কোমথোরকপনা মরম ওইরদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা হয়েংদগী হৌরদুনা মহৌশাগুম্না ষ্টেট অসিগী স্কুল, কোলেজ অমদি অতৈ এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌবগী মতুংইন্না হয়েংদগী হৌরদুনা ক্লাস নাইন য়াওনা মসিগী মথক্তা লৈবা ক্লাসশিংগী মহৈশঙশিং হাংদোক্লগনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন/এদ্যুকেসন (এস) কী কম্মিস্নর এম হরেকৃষ্ণনা ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোকখ্রে।

দিসিপ্লিন ঙাক্লা চৎপনা পুন্সিদা মায় পাকপা ঙম্মী : সী এম

কম্মিস্নরগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না হয়েংদগী হাংদোক্কদৌরিবা মহৈশঙশিং অসি হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পীবা এস ও পি/গাইদলাইনশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

লিগেল সর্ভিসেস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ২ তারকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)না শীন্দুনা লিগেল সর্ভিসেস দে কম কম্মেন্দেসন সেরেমোনি, ২০২১গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসসু ওইরিবা মসলসাগী পেত্রোন ইন চীফ পি ভি সঞ্জয় কুমার, মসলসাগী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনসু ওইরিবা জষ্টিস কে ঐচ নোবিন অমসুং কোর্ট অসিগী জজশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অসি লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিস এক্ট চৎনহনখিববু নীংশিংবা অমসুং এক্ট অসিগা মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংবু মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীনবগীদমক পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিগা ইরোয়ননা মসলসানা চত্থরক্লিবা ‘এসেস টু জষ্টিস’গী থৌরমশিংগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট, ওফিস অমসুং মসলসা, লিগেল সর্ভিসেস ইন্সটিট্যুসনশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

চীঙাই এ সীদা থম্বাল শাৎহনবীয়ু : শর্দা

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস) : ৪৫-চীঙাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ইজরেল জিমিক, জেনরেল সেক্রেটরি পি এস লাইটর য়াওনা পূন্না মীওই ২০না কোংগ্রেস তোক্লগা বি জে পিদা য়াওরকপদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা চীঙাই এ সীদা থম্বাল শাৎহনবীয়ু হায়খ্রে।

ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী থম্বাল লোয়শঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এ শর্দানা মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক লাক্ত্রিঙৈদা চহী ৭০ রোম কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রকখিবনি। মতম অদুদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিগী আইদিওলোজি অমদি কম্মিটমেন্ট অদুনা তৌবীরম্বা চহী ১০গী থবকশিং অদুগা হৌজিক চহী ৫ ফারক্কদৌরবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা তেল্লবা মতম অসিদা মীয়ামগীদমক তৌরক্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মশক খঙদোকপা চঙই। প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অটল বিহারি বাজপায়গী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

সোনিয়া গান্ধী উনদুনা মীখলগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী অমদি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রসিদেনন্ট এন লোকেননা লুচিংবা এম পি সী সীগী মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা উনদুনা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মায় পাকহন্ননবা ৱাফম কয়া কূপ্না খন্নখ্রে হায়রি। ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

চীংশুবম অকাবগী ৭৭শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস) : ৱাখাগী লৈমা চীংদা লৈবা লৈখিদ্রবা লুচিংপুরেল চীংশুবম অকাবগী হকচাং লৈরোল চনখিবা মফমদা মহাকপু নীংশিংদুনা থল্লিবা মহাক্কী মীতমদা ঙসি মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্লদুনা লৈখিদ্রবগী ৭৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা কাঙলূপকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখোম্বা মীতৈনা লুচিংপুরেল চীংশুবম অকাবা মীয়ামগা নকশিন্নরম্বা মীওইনি। মহাক্কী তমজনীংঙাই ওইরিবদি মীয়ামগা নক্লা তিন্নবা অমসুং তোৎনদুনা লৈখিবা পুন্সি মরেলদুনি হায়খি।

লমদম অসিগী চীংমী-তম্মীগীদমক্তা লোল, ময়েক, ঈনাৎ অমদি লাইনীং চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওইনি। কংলৈপাক্তা ফুরুপ কাঙলূপ পূন্নমক্কী মীওইশিংবু নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা হোৎনবদা কৎথোক্লুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা শক্লাইরবা মীয়ামগী লুচিংবনি হায়নসু শিংথাখি।

আই জি এ আর (সাউথ) না নিংঙোলশিং চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস) : মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই জি এ আর (সাউথ) না চহী খুদিংগী পাঙথোক্লুনা লাকপগুম কুমসি চহীগীসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মফম অসিদা লৈবা অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে।

শক্লাইরবী মণিপুরগী নুপীশিং য়াওনা নিংঙোলশিং চাক্কৌদুনা চাক চামিন্নরবা মতুংদা অঙম্বা খুদোল পোৎ অমসুং য়োংচাক পাম্বীশিং খুদোল তমখ্রে। মণিপুরদা খুন্দারিবা চীংমী তম্মীগী নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল অলোক নরেসনা থৌরম অসিনা মবুং মৌপ্পাগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী চেৎশিনহনবা নুমিৎনি। মণিপুরগী পুৱারী অমসুং কলচর ওইনা লৈরক্লবা নুমিৎ অসিগী থৌরমগীদমক চাউথোকচৈ হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অসাম রাইফলসনা মণিপুরদা লৈরিবা মখৈ মীয়ামবু ঙাক শেন্দুনা লৈগনি হায়খি।

নুমিৎ অসিগী থৌরমগা ইরোয়ননা নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

নীংতম্বা য়াওদনা লৈঙাক্কা ৱারী শানরোই : প্রিপাক

> ‘নবেম্বর ১২, ২০২১ : অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা মখল অমত্তগী হরাও কুম্মৈ তৌবীগনু, নুমিদাংদা য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপীয়ু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ : কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর ১২গী অয়ুক অঙনবদা কামেংগী লৈমরোক্তা লৈবা প্রিপাক্কী ত্রাঞ্জিং কেম্প অমদা সী আর পি এফ অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপূনবা ফোর্স অমনা খঙহৌদনা লান্দারক্লুনা কেম্প অদুদা লৈবা প্রিপাক্কী থিরেন অমসুং কবিকান্ত অমদি কেম্প অদুমক্তদা পূন্না লৈমিন্নবা পি এল এগী গম্ভির হায়রিবা অথৌবা ৩না লৈখিদবা অমদি কুমজা ১৯৮৫গী নবেম্বর ১২গী নুমিদাংৱাইরমদা কবো ৱাকচীংদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা পার্টি অসিগী লুচিংপুরেল নিংথেম তুল্লচন্দ্র এলিয়জ লোয়াতাবনা লৈখিদবা থৌদোক অমসুং লৈবাক মীয়ামগী মাঙখিবা নীংতম্ববু অমুক হন্না হঞ্জিনহন্দুনা ইরমদমসিদা নীংতম্বা, চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক লিশাং শিংনা চত্থরক্লিবা নীংতম য়াওল লাম্হেং অসিদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংবু নীংশিংদুনা কুমজা ১৯৭৯গী নবেম্বর ১২দগী রেদ আর্মি - প্রিপাকনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ‘অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ’ লাক্লিবা নবেম্বর ১২, ২০২১ ইরাই নুমিৎতা থোক্লে। নুমিৎ অসিদা মখল অমত্তগী হরাও কুম্মৈ তৌবীগনু অমদি নুমিৎ অসিগী নুমিদাংদা য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপীদুনা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নীংশিং খুভমশিংদা মৈরা কৎপীয়ু হায়রি।

ৱাফম অসি পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী চার্জ দি এফেয়রস (পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) লৈবাকঙাকপা লুৱাংগী চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা ওক্টোবর থাগী ২৯দা লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা থোরকপা চেরোল অমনা ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈবা ঙম্নবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্নবা লান হৌরিবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্লবা অমসুং মুক্লবা লোইশিন্দুনা ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকসি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা মরী লৈনবা পূন্নমক্তা আপীল তৌরকখিবা ইরৈচাশিংনা থেংনবীখ্রে।

মিজোরাম য়াওদনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery
Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur
Pliz contact :- 8787688086
Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫